## পকিস্টানগী এয়র স্পেস নৌনা হাংখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৬(এজেন্সি): ইন্দিয়াগা মিলিটরিগী মুক্নবা অমা লৈখিবা থা ৫ মুক্কী মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পকিস্টানি ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অসিগী এয়র স্পেস সিভিলিয়ন ফ্লাইটশিং চঙবা য়ানবা অমুক হন্না মপুং ফানা হাংদোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

পকিস্টান্না হৌখিবা মার্চতা লৈবাক অসিগী এয়র স্পেসকী শরুক খরা হাংদোকখি। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়াদগী লাকপা ফ্লাইটশিং চঙবা য়াননবা নোংপোক থংবা অমসুং খা থংবা শরুকশিদা মখা তানা থিংজিন্দুনা থমখিবনি।

## কুৱেটতা ফারে

দুবাই, জুলাই ১৬(এজেন্সি): মশাগী লৈবাক্তগা ক্রাইম কয়া চথখিবগা মরী লৈননা ইন্টরপোলনা ফানবা হোৎনরকখিবা বাংলাদেশি নুপা অমা ধাকাদগী থুংলকখিবা মতুংদা অশাবা ইন্দিয়ন পাসপোর্ট অমগা কোন্ননা ক্যুৱেট ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ফারে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

# য়ু এস-সাউথ কোরিয়া মিলিটরি দ্রিলসনা ন্যুক্লিয়র ৱারী শান্নবদা অকায়বা পীগনি : প্যোংয়াং



সিওল, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ স্টেটসনা সাউথ কোরিয়াদা মিলিটরি এক্সর্সাইজ পাঙথোক্লরোই হায়না মমাংদা থাজবা পীখ্রবা মতুংদা ইনৌ নৌনা অমুক লৈবাক অনীগী মরক্তা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলস পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরক্লিবা অসিনা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোকহন্নবগী পান্দমদা ৱাশিংটন অমসুং প্যোংয়াংগী মরক্তা ৱারী শান্নবদা অকায়বা শোয়দনা পীগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চেপশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ স্টেটসনা মমাংথক্তগী তৌরক্লবা মওংদা মশাগী কমিটমেন্টশিং থুগায়জবগী থৌওং অমা হেক হেক চথরকপগী ফিভম অসিনা প্যোংয়াংনা তঙাই ফদনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং অমসুং ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিস্টিক মিসাইল (আস সী বি এম)শিংগী চাংয়েং লেপ্পগী ফিরেপ অমুক হন্না খন্নরকপা য়াবগী ফিভম অমা লাকহল্লে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিস্ট্রিগী স্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা হৌখিবা থাদা ইখঙ খঙহৌদনা কোরিয়া অনীগী বোর্দরদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগা উনদুনা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোকহন্নবা তকশিনবগী থবক হেন্না কনশিনখিবনি। কোরিয়া বোর্দরদা লুচিংবা অনীগী মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা ট্রম্পনা হৌখিবা ফেব্রুৱারিগী অনীশুবা সম্মিটতগী লেপ্পকখিবা ন্যুক্লিয়র টোক ৱর্কিং লেভেলদা অমুক হন্না মখা চথবগী ৱাফমদা য়ানরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

নাকল অনীগী নিগোসিএসন লাক্লিবা চয়োল খরা অসিগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি হায়না পান্নরিবনি। তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিস্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ট্রম্প অমসুং কিমগী ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবগী ৱাফমদা চিংনবা উৎলদুনা য়ুনাইটেদ স্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা কালেন থা অসিগী মনুংদা দোং মেয়েং হায়না খঙনবা মিলিটরি এক্সসাইজ পাঙথোক্দৌরিবসি থাংঙৈশেংবদি নোর্থ কোরিয়াবু কিহনবা লানগী এক্সসাইজ অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

# বাংলাদেশতা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরে



ধাকা, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): বাংলাদেশতা নুমিৎ কয়ানি নোং কন্না চুবদগী মরু ওইবা তুরেল কয়া খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেন্নখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ঈচাও থোক্তুনা মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না অৱাবা তারে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা দিষ্ট্রিক্ট ১৫ দা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা য়ুম, লম্বী অমসুং মহৈলোইশঙ কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবতা নত্তনা লৌফম কয়াসু মাঙ তাকহনখ্রে। ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা কুরিগ্রামদা অঙাং ৫ ঈরাক্নদুনা শিখ্রে অমসুং জমালপুরদনা অঙাং অনী শিখ্রে। মথংগী পুং ৭২ গী মনুংদা ব্রহ্মপুত্রা-জমুনা অমসুং গঙ্গা-পদমা তুরেলশিং অসিগী ঈশিং ঈমায়গী থাক ৱাংখৎলগনি হায়না ৱাটর দিভেলপমেন্ট বোর্দকী ফ্লদ ৱার্নিং ফোরকাষ্টিং সেন্টরনা ৱার্নিং তৌখ্রে

নেট্রোকোনা, সুনামগঞ্জ অমসুং সিলেটকী ঈচাওগী ফিভমদা হৌজিক অহোংবা লাকখিরোই অদুবু কুরিগ্রাম, জমালপুর, গাইবন্দধা, বোগুরা অমসুং সিরাজগঞ্জদদি নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ঈচাওগী ফিভম লুশিল্লকপা য়াই হায়না সেন্টর অসিগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অরিফুঝামন ভুইয়ান্না বি দি ন্যুজ ২৪ দা ফোঙদোকখি।

# হাৎখ্রে হায়খ্রবা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র এনভোই হিংলি

সিওল, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ স্টেটসকা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা পাঙথোকখিবা সম্মিট অমা ফেল ওইদ্রিঙৈগী মমাংদা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবগী থবক থৌরাংশিং হিমায় চুমদুনা লাকখিবা নোর্থ কোরিয়ন ন্যুক্লিয়র এনভোই অমা হৌজিকসু হিংলি হায়না সাউথ কোরিয়াগী লেজিসলেটর অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



ন্যুক্লিয়র এনভোই অসি ভেয়েটনামগী সম্মিট ফেল ওইহনখিবগী মরাল শীরদুনা নোর্থ কোরিয়ন ওথোরিটিশিংনা হাৎখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী পাউচে অমদা ফোঙখিবা পাউ অমগা তাইয়োন্ননা মহাক হৌজিকসু হিংলি হায়না সাউথ কোরিয়াগী লেজিসলেটর অসিনা ইনৌ নৌনা ফোঙদোরকখিবনি।

কিম জোং-উন অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী মরক্তা হৌখিবা থাদা হানোইদা পাঙথোকখিবা সম্মিট দিল অমত্তা য়ানবা পুরক্তনা মপুং ফাদনা লোইশিনখিবা মতুংদা ন্যুক্লিয়র টোক অদুদা শরুক য়াখিবা নোর্থ কোরিয়াগী নিগোসিএটরশিংগী মরাইবক্কী মতাংদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা চয়েৎনবা রিপোর্ট কয়া পরিং নাইনা ফোঙনরকখি।

সমিট অদুগী মাঙওইননা ৱর্কিং-লেভেলগী ৱারী শান্নবদা নোর্থ কোরিয়ন দিগোসিএটরশিংগী লুচিংবা ওইখিবা য়ু এসকী স্টেফেন বৈগনগা মান্নবা ফম শীন্নখিবা কিম হ্যোক চোল হৌজিক হিংলি হায়না সাউথ কোরিয়াগী লোমেকর কিম মিন-কিনা ফোঙদোকখি।

লোমেকর অসিনা চোলগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদদি কুপ্না পনখিদে। কিম হ্যোক চোল মার্চ থাদা নোর্থ কোরিয়া ওথোরিটিশিংনা হাৎখ্রে হায়না হৌখিবা থাদা সাউথ কোরিয়াগী চোসুন ইলবো পাউচেনা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমা সী এন এননা য়াম্না থুনা চুমদে হায়খিবগা লোয়ননা মহাক হিংলি অমসুং স্টেট কষ্টিদিদা লৈ হায়খিবনি।

চোসুন ইলবোনা য়ুনাইটেদ স্টেটসকা চথখিবা মায় পাকখিদ্রবা সম্মিট অদুবু শীন-লাংবগী থবক্তা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা কিম য়োং চোল কৌবা অতোপ্পা সিনিয়র ওফিসল অমসু লেবর অমসুং রি-এদ্যুকেসন কেম্প অমদা থাজিনখ্রে হায়নসু ইখিবনি।

তৌইগুম্বসুং রিপোর্ট অদু ফোঙখিবা নুমিৎ খরনি কান্নরগা কিম য়োং চোলনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগা লৈমিন্নবগী ফোটো অমা স্টেট মিদিয়াদা ফোঙবা উখি। হনোইগী সম্মিট মায় পাকখিদবা অদুদগী হৌজিক্তি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র দিপ্লোমেটশিংনা ৱারী শান্নবগী শীন-লাংবগী থবক পায়শিনখ্রে হায়রি।

# ৭৩৭ এম এ এক্সকী কম্মর্সিএল ওপরেসনগী ৱারেপ ফদরেল রেগ্যুলেটরশিংনা লৌজগদবনি : বোইং

সনফ্রান্সিস্কো, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): মালেম পুম্বনা শীজিন্নবা লেপ্লিবা ৭৩৭ এম এ এক্স অমুক হন্না কম্মর্সিএল ওপরেসন হৌনবগী মতম ফদরেল রেগ্যুলেটরশিংনা লেপকদবনি হায়না বোইংনা ফোঙদোকখ্রে।



রেগ্যুলেটরি ওথোরিটিশিংনা এম এ এক্স সোফটৱেয়র সার্টিফাই তৌবগী প্রোসেস, ট্রেনিং অউপদেটশিং অমসুং সর্ভিস লেপ্পগী ওর্দর লৌথোকপগী মতম লেপ্পি হায়বসি ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা ফোঙদোক্তুনা লাকপা ৱাফম্নি হায়না বোইংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। কম্পেনিনা ৱাফম অসি ৭৩৭ এম এ একস প্লেনশিং কুমজা ২০২০ ফাওবদি কম্মর্সিএল ওপরেসন হৌবা ঙমখিরোই হায়বা মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতাংদা ফোঙদোকখিবনি।

বোইংগী ফ্লেগসিপ পেসেঞ্জর এয়রক্রাফট মোদেল অসিবু মতম খরা সর্ভিসতা শীজিন্নবা লেপ্পকখিবা মতুংদা করম্বা মতমদগী অমুক হন্না ওপরেসন হৌগদগে হায়বগী মতাংদা মিদিয়ানা ফোঙনরিবা ৱাফমশিং অসিদা কম্পনিগী মায়কৈদগী কমেন্ট পীনিংবা লৈতে হায়না বোইংনা মখা তাখি।

বোইংনা ৭৩৭ মেক্স সোফটৱেরগী অপদেট সার্টিফাই তৌবগী মতাংদা পল্লদুনা ফেদরেল এভিএসন এনমিনিস্ট্রেসন (এফ এ এ)গী প্রোসেসকী মতুং ইন্না এয়রক্রাফট মোদেল অসিবু খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মওংদা অমুক হন্না সর্ভিসতা শীজিন্নবা কন্না হোৎনরি। হৌজিক পায়খৎলিবা দিভলপমেন্ট অমসুং টেষ্টিংগী থবকশিং টেক্নিকেল এক্সপার্টশিংনা এফ এ এগী দিরেক্সন মতুং ইন্না নীংথিনা এনালাইসিস তৌদুনা পাঙথোক্লিবনি হায়না কম্পেনিনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী এয়রক্রাফট মেকর অসিনা সর্টিফিকেসনগী তঙাইফদবা প্রোসেস পুম্বা মপুং ফারবা মতুংদা এফ এ এদা ফাইনেল সোফটৱেয়র পেকেজ সবমিট তৌনবগী থাজবা পীখ্রবনি। মমাংদা ৱাল স্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্ট অমনা মালেমগী ওইবা ৭৩৭ এম এ এক্স ফ্লিট কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারিদা অমুক হন্না সর্ভিসতা শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। রিপোর্ট অসিদা পল্লিবা মতম অসি বোইংনা ফ্লাইট কন্ট্রোল সোফটৱেয়র অমা শীন্দোক্লগনি হায়না ইহান হান্না ফোঙদোকখিবা মতুং চহী অমা মপুং ফানা কান্নরিবনি। পনবা য়াবদি, অসিগুম্বা ফ্লাইট কন্ট্রোল সোফটৱেয়রগী অশোয়বা অমনা মরম ওইদুনা ইন্দোনিসিয়া অমসুং ইথিওপিয়াদা ৭৩৭ এম এ এক্স প্লেন অনী কায়খিবনি হায়না থাজনরিবনি।

# ঈ য়ুনা ফন্দিং কক্লবসু ওইল দ্রিল্লিংগী থবক লেপ্লোই



ইষ্টানবুল, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): টর্কিগা মরী লৈনবা ফন্দিংশিং ককথনবা অমদি লৈবাক অসিগা য়ারিমখৈ কন্টেক্ট তৌনদনবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না ৱারেপ কয়া লৌবা লৈরবসু মদুনা সাইপ্রসকী মনাক নক্লা গ্যাস অমসুং থাউ থিনবা দ্রিল্লিং চথনবা অঙ্কারানা লেপ্লিবা ফিরেপ্তা অকায় পীবা ঙল্লোই লোয়ননা টর্কিনা মফম অদুদা মরিশুবা জহাজ অমসু থাননবা থৌরাং তৌরে হায়না টর্কিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিনা ইনর্জি ফার্মশিংদা সিপ্রিয়ট গভর্নমেন্টকা থবক তৌমিন্ননবা খঙহনখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৭৪দা টর্কিনা লন্দাবদগী মচেৎ তাখিবা ইথৎ অদুগী মনাক্কী ঈশিংগী শরুকশিংদা জহাজশিং থাখিবনি। ঈ য়ুগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোমপ্রিহেন্সিভ এয়র ট্রান্সপোর্ট এগ্রীমেন্টগী নিগোসিএসন মখা চথদনবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা মতম খরগী ওইনা ঈ য়ু-টর্কিগী অৱাংবা থাক্কী দাইলোগশিং মখা চথদবা হায়নসু য়ান্নখি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না টর্কিদা কুমজা ২০২০ গী ওইনা প্রি-এক্সেসনগী মতেং পীবা হন্থহন্নবগী প্রাপোজেল অমসু শৌগৎখিবগা লোয়ননা য়ুরোপিয়ন এনভেষ্টমেন্ট বেঙ্কতা টর্কিদা লেনিদংগী এক্টিভিটিজশিং রিভিয়ু তৌনবা হায়জখি।

টর্কিনা ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়ন্দা মখা তানা হায়দ্রোকার্বোন এক্টিভিটিশিং চথনবা লৌরিবা ফিরেপ অসিদা ঈ য়ুগী অসিগুম্বা ৱারেপশিং অসিনা করিমত্তা অকায়বা পীবা ঙল্লোই হায়না টর্কিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ঈ য়ুগী ৱারেপশিংদা ব্লোক অসিনা টর্কিস সিপ্রিয়টশিংগী ৱাফম করিমত্তা পনখিদবা অসিনা সাইপ্রসকী ৱাফমগী মতাংদা ঈ য়ুগী মীৎয়েং মীচং মীখাই নাই হায়বসি শেংনা উৎচরে হায়না মিনিষ্ট্রিগী স্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

নাকল অনীগী য়েৎনবা অসি গ্রিক অমসুং টর্কিস সিপ্রিয়টশিংগী মরক্তা ইথৎ অদুবু চহী ৪৫ মচেৎ তান্নরকখিবগা মরী লৈননা টর্কি অমসুং সাইপ্রসনা লমদম অদুগী ঈশিংগী শরুকশিং ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌনবদগী থোরকখিবনি। সাইপ্রসনা অতৈ মেদিটরিনিয়ন স্টেটশিংগা মেরিটাইম ইকনমিক জোনশিং শেম্বগী মতাংদা য়ানখিবা ৱাফমশিংসু অঙ্কারানা রিজেক্ট তৌখ্রবনি। টর্কিনা মালেম্না শকখঙলবা সিপ্রিয়ট গভর্নমেন্টকা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নদবদা নত্তনা লৈবাক অসি ইথৎ অদুদগী মচেৎ তাখ্রবা স্টেটপু শকখঙলিবা মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক ওইরিবনি।

# এন্টি-করপসন জর্নেলিষ্ট হাৎপগী মরালদা মীওই ৩ ৱায়েল চথরগনি

ভালেট্টা, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): এন্টি-করপসন জর্নেলিষ্ট দাফনে করুৱানা গালিঝিয়া হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম মাল্টাদা ৱায়েল মায়োক্নরগনি হায়না কোর্টগী ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদেকখ্রে।



ইথৎ অদুগী এটোর্নি জেনরেলনা মীওই অহুম অসিগী মায়োক্তা হৌনবি মতুং ইন্না মরাল শীবগী ৱারোল অমা থোকখ্রবা মতুংদা মখোয়বু ৱায়েল চথবগী খোঙথাং অসি লাকখিবনি। ফারবা মতুং থা ২০ গী মতুংদা হৌনবী মতুং ইন্না ৱায়েল চথনবগী থৌরাং পায়খৎতবা চেন্নবা মীওইশিংবু বেল পীবগী মতম অমগী মাঙওইননা মখোয়বু কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না মীহাৎ অদুদা চেন্নবগী মরাল শীখিবনি।

ভিন্সেন্ট মুস্কাট অমসুং মচিন মনাও অনী অলফ্রেদ অমসুং জোর্জ দেজিওর্জিও হায়রিবা মীওই অহুম অসি কুমজা ২০১৭ গী ওক্তোবর ১৬ মাল্টাগী কেপিটেল ভলেটাগী মনাক্তা এন্টি-করপসন জর্নেলিষ্ট করুৱানা গালিঝিয়াগী কারদা বোম অমা প্লান্ট তৌদুনা পোকখায়হনবগী মরাল শীরিবনি। মীওই অহুম্মক্লা মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাংদা ইভিদেন্স খোম্বগা মরী লৈনবা প্রি-ট্রাইয়েল প্রোসিদিংস মনুংদা মখোয় মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোক্লখি।

মীওই অহুম অসিগী ৱায়েল চথবা হৌগদৌরিবদু করম্বা মতমগীনো হায়বদি খঙদ্রি। এন্টি-করপসন ব্লোগ অমা ইখিবা জর্নেলিষ্ট করুৱানা গালিঝিয়া হাৎখিবগী থৌদোক্লা য়ুরোপ পুম্ববু হঙ্গৈইবা অমদি নুংনাংবা পোকহনখিবগা লোয়ননা মিদিটরিনিয়ন ইথৎ অদুগী রুল ওফ লোগী মতাংদা চিংনবা ৱাহং কয়া লাকহনখি। মীওই অহুম অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী দিসেম্বরদা ফারগা চার্জ তৌবগা লোয়ননা ফাজিন্দুনা থম্নকখিবনি। মখোয়গী বেল পিটিসনশিং মাল্টাগী কোর্টশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন রিজেক্ট তৌখি।

## য়ু এস সাইন্টিষ্ট হাৎপা মীশক ফারে

এথেন্স, জুলাই ১৬(এজেন্সি): থা অসিগী ৮ দা ক্রেট ইথৎতা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা অমেরিকান বাইওলোজিষ্ট অমা হাৎখিবা মীশক গ্রীক পুলিসনা খঙবা ঙল্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৬০ শুরবী সুঝান ইটন কৌবী জর্মনিগী দ্রেসদেনদা লৈবা মেক্স প্লাক ইন্সটিট্যুটকী মোলিকুলর বাইওলোজিষ্ট অমা ওইরিবা নুপী অসি মাঙখিবা মতুং চয়োল অমা কান্নরগা হৌখিবা জুলাই ৮ দা শীজিন্নদবা মিলিটরি বঙ্কর অমদা শিরম্বা থেংনখিবনি। মহাক্কী মীশিগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চথখিবা মশাগী চহী ২৭ শুরবা নুপা অমনা মীহাৎ অদু মহাক্লা পাঙথোকখিবনি হায়বসি য়াজরে হায়না ক্রেটান টাউন চানিয়াগী সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমা ওইরিবা কোনষ্টানিনোস লাগৌদাকিসনা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবা সাইন্টিষ্ট অসি সাইন্স কনফরেন্স অমগীদমক্তা ইথৎ অদুদা লাকখিবনি।

## ইরান্না কনফার্ম তৌখ্রে

দুবাই, জুলাই ১৬(এজেন্সি): ফ্রেঞ্চ-ইরানিয়ন স্কোলার ফরিবা অদেলখাহ ফাজিনখি হায়বা ৱাফম ইরান্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কনফার্ম তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং টেহরান্না হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা অকুপ্পশিংদি ফোঙদোকখিদে। স্কোলার অসিগী কেসকী মতাংদা পেরিসনা ইনফোর্মেসন দিমান্দ তৌখিবা মতুংদা মহাকপু ফাখি হায়বসি চুম্মী হায়না টেহরান্না ফোঙদোকখিবনি। এন্থ্রোপোলোজিষ্ট অদুবু ফাখিবদা নুংনাংবা পোকই হায়না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট মেক্রোন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

# থাই কূ লিদরগী অনৌবা কেবিনেট অমা নিংথৌনা ৱাশক লৌহনখ্রে

বেঙ্কোক, জুলাই ১৬ (এজেন্সি): থাই নিংথৌ মহা ভাজিরালোংকোর্ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কুমজা ২০১৪ দা কূ অমা পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্কী পৱার পায়শিনখিবা লৈবাক অসিগী আর্মি চীফ ওইরম্বা প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান-ওচাগী কেবিনেট ৱাশক লৌহনখ্রে।



থাইলেন্দনা হৌজিক নোরমেল দেমোক্রেসিগী ফিভমদা থবক তৌবা হৌরগদবনি হায়না পল্লদুনা প্রয়ুথনা চহী ৫ হল্লক্লবা মিলিটরি লৈঙাক লোইশিল্লে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখি। প্রয়ুথ অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টর ৩৫ না দুসিট পেলেসতা লৈবাক অসিগী নিংথৌদা থাজবা থমদুনা মথৌদাং পাঙথোক্কনি হায়না ৱাশকখি।

ৱাশকপগী থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা নিংথৌবু ভাজিরালোংকোর্ননা কেবিনেট অমসুং গভর্নমেন্টনা অচুম্বা তৌদুনা মথৌদাং পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। হান্নগী জনতা চীফ প্রয়ুথনা হায়খি মদুদি, থা তরুক চুপ্পা লম্বীদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌদুনা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা ইরাং অদু লোইশিন্দুনা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা কূ অদু পাঙথোকখিবনি।

মার্চ ২৪দা মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুংদা থাইলেন্দদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনবা হৌখ্রবনি হায়না মহাক্লা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

মথং পায়খৎকদবা থবক্কীদমক্তা শেম শাবা তাই হায়না পল্লদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগী মতুংদা পাউমীশিংদা মহাক্লা হায়খি মদুদি, অনৌবা গভর্নমেন্টদা অনৌবা পোলিসি কয়া লৈহনবা অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেলহনবসি মরু ওই।

ওপোনেন্টশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবা সিষ্টেম অমগী মখাদা জনতানা খনখিবা সিনেট অমসুং প্রো-মিলিটরি লেজিসলেটরশিংনা প্রয়ুথপু থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা খনখিবগা লোয়ননা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিগী মীখলদা মায় পাক্লবা লুচিংবা অমা ওইরকখিবনি।

মরক্তা পোলিটিকেলগী ওইবা চয়েৎনবা কয়া লৈবদগী প্রয়ুথনা কেবিনেট শেম্নবা হোৎনবদা নুমিৎ ১০০ নি হেন্না চঙখি। খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক অয়াম্বা হান্নগী জনতা মেম্বরশিংনা পায়খি। তৌইগুম্বসুং মরু ওইবা ইকনমিক পোর্টফোলিও খরদি প্রয়ুথপু পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসতা শৌগৎতুনা মেজোরিটি লৈহল্লিবা পার্টি খরদা খায়দোকখি।

/ ফম্বী চাং হন্থরকপা, মপান তোয়না থোকপা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, হকচাং অমুক চাউখৎপা, হকচাং অমুক কংশিল্লকপা, চাবা-থকপা ঙমদবা ফহনবগী ওজা Kayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা দাইবেটিষ্টনা য়াম্না কন্না নাদুনা ফম্বী চাং হন্থরকপা, মপান তোয়না থোকপা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, হকচাং অমুক চাউখৎপা, হকচাং অমুক কংশিল্লকপা, চাবা-থকপা য়াদবা, খিত্তং শাংনা চৎলুরবা হকচাং য়াম্না চোকথবা অমসুং ফম্বা ঙমদবা, শদৌ য়াম্না কন্না হোনবা, তাং-তাং খুদিংগী পোমখৎলগা চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা, খোঙ-খূৎ শিথরকপা তৌরম্বা অদু ওজা MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8575814720 / 8837496469 / 8413870027 তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।



1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
3. Tiddim Road Old Bazar ICICI Bank Opp. CCpur, 7:00 am to 4:00 pm

HL-P/3309/17 থাগৎচরিবা : Maisnam Rishi Singh, Konthoujam

/চাবা থকপা য়াদবা, মরক মরক্তা হকচাং তঙ্খায় অমা শিথবগুম তৌবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, চাবা তুমদবা, য়ারোমদা অশিনবগা লোয়ননা তোয়না খেগৎপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, পুকচেপ নাবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা চাবা থকপা য়াদবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা পুক কংখৎপা অমদি য়ারোমদা অশিনবগা লোয়ননা তোয়না তোয়না খেগৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, মথকলোমদা ফুগৎলকপা, ওনীং-ওনীং তৌরগা লৈবা, মরক মরক্তা হকচাং তঙ্খায় অমা শিথবগুম তৌবা, তাং-তাং চিকপা নাবা, শিংলি নাওরি শোনবা, চাবা তুমদবা, ফম্লুরগা ফুক লাউনা হৌগৎলগা চৎপা ঙমদবা, খ্বাং নাবা, কল্লাক মরী নাবা, খূৎশাশিং ইপংতা পংশিল্লগা পোৎ অমা পায়বা মতমদা য়াম্না নুংঙাইতবা, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরকপা, ইয়াং কংশিল্লকপা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা চাবা থকপা য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, খ্বাং নাবসু য়াম্না হেনবা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা হকচাংগী মফম খুদিংদা চেল্ল-চেল্লগা চিকপা-নাবা, মরক মরক্তা অমাংথোঙদা মরেং মরেং চৎলগসু হাকৎচরকপা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু স্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat. (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal Konchak Bazar. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/4322/17 থাগৎচরিবা : L. Achou Singh, Leimakhong